# ৯/১১ এটেক্কী ‘রিহর্সেল’ সাউদি গভর্নমেন্টনা ফন্দিং তৌখি হায়বগী অনৌবা ইভিদেন্স পুথোকখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী) :
৯/১১ গী এটেকতা শীজিন্নখিবা প্লেনশিং সাউদি ইমপ্লোয়ী অনীনা হাইজেক তৌখিবগী ‘রিহর্সেল অমা ৱাশিংটনদা লৈবা সাউদি অরাবিয়াগী এম্বেসিনা ফন্দিং তৌখি হায়বগী ইঙ্গিৎ লৈরে হায়রি।

সাউদি অরাবিয়াগী মায়োক্তা থাখিবা মরুওইবা ৯/১১ গী লোসুটকা মরী লৈননা সবমিট তৌখিবা অনৌবা ইভিদেন্সনা ইঙ্গিৎ অদু পীরিবনি।

অনৌবা ইভিদেন্স অসিনা সাউদি অরাবিয়াগী ইমপ্লোয়ীশিং অমসুং এজেন্টশিংনা ৯/১১গী হাইজেক্করশিং অমসুং লৌতুনবশিংদা ডিরেক্সন পীখি অমসুং মতেং পাংখি হায়বা ক্লেম অসি হেন্না চেৎশিনহল্লে হায়রি।

চহী ১৬ কী মমাঙদা চথখিবা টেররিষ্ট এটেকশিং অদুদা শিখিবা ভিক্টিম ১,৪০০ রোমগী ইমুংশিংগী মহুৎ শিন্দুনা থাখিবা শেমদোক্লবা কমপ্লেন্ট অদুনা হায়খি মদুদি এয়রলাইনর এটেকশিং অদু পাঙথোক্ত্রিঙৈ চহী অনীগী মমাঙদা ৱাশিংটনদা লৈবা সাউদি এম্বেসিনা ৯/১১ গী এটেকশিং অদুগী রিহর্সেল অমগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অরোনবা থবকশিং তৌরগা লৈবা সাউদি নেস্নেলশিং ওইবা মহৈরোয় অনীগীদমক্তা ফিনিক্সতগী ৱাশিংটন ফাওবা পাইনবগী শেল পীখি হায়না ন্যু য়োর্ক পোষ্টকী রিপোর্টনা হায়খি।

৯/১১ গী প্লেন্টিফশিংগী এটোর্নি মকোক সোন কার্টরনা হায়খি, অল কাইদা অমসুং সাউদি গভর্নমেন্টকী লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা কাঙবুশিংগা মতম শাংনা নকশিন্নবা মরী লৈনরকই হায়বসি ঐখোয়না ফোঙদোক্তুনা লাকপা কুইরে। ‘মসি মদুগী মখা তাবা ইভিদেন্সনি’ হায়না মহাক্না হায়খি।

প্লেন্টিফশিংগী লোয়রশিংদুনা হায়খি মদুদি, কোর্টতা পীশিল্লিবা ইভিদেন্স অদুনা ওফিসলশিং ওইবা সাউদি সোর্ছশিংনা ৯/১১ গী লৌতুনবদা শেল-থুম অমদি ওপরেস্নেল সপোর্ট অনীমক পীখি হায়বগী অনৌবা অকুপ্পা ৱাফম কয়া খঙহল্লি।

মমাঙদা ট্রম্পনা টেহরানবু তৎতনা চৈ থাংবগী থৌওংবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইরানগী ফোরন মিনিষ্টর মোহম্মদ জভাদ ঝারিফ খোন্সারিনা হায়খি মদুদি, ইরানবু লেপ্তুনা চৈ থাংদুনা লৈবগী মহুৎতা য়ু এসকী প্রসিদেন্টনা করম্না সাউদি অরাবিয়ানা ৯/১১ এটেক্কো মান্নবা অতোপ্পা এটেক অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরকপদা থেংনগদগে হায়বদু খন্নগদবনি। রিয়াধতা পাঙথোকখিবা সম্মিটতা ট্রম্পনা ইরানবু হঞ্জিন হঞ্জিন্না চৈ থাংখি অমসুং লৈবাক অসিনা মফম কয়াদা কাংখোং চাইহল্লিবা অমসুং অমাঙ-অতা কয়া থোকহল্লিবা মিলিস্যাশিংদা খুৎশু-খুৎলাইশিং অমসুং শেল পীশিন্দুনা মতেং পাংই হায়না ক্লেম তৌখি। ইরাননা ফোঙদোকপদা ৱারবা ক্রাইম কয়া তৌবা সিরিয়াগী বাশর অল-অশাদপুসু শৌগৎলি হায়নসু ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবনি।

৯/১১ হায়নসু খঙনবা সেপ্টেম্বর ১১ গী এটেকশিং অদু ইস্লামিক টেররিষ্ট গ্রুপ অল-কাইদানা কুমজা ২০০১ গী সেপ্টেম্বর ১১ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা য়ু এসতা পরিং নাইনা পাঙথোকখিবা নিংথীনা শিন্নখিবা টেররিষ্ট এটেক মরিনি। এটেকশিং অদুদা মীওই ২,৯৯৭ শিখি, অতৈ ৬,০০০ হেন্না শোকখি অমসুং য়ামদ্রবদা দোল্লর বিলিয়ন ১০ গী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং প্রোপর্টি মাঙ-তাকখি।

# পূংদা কিলোমিটর ২১০ গী খোঙজেল ওইবা হরিকেন ইর্মা ফ্লোরিদাদা থুংখ্রে, মীওই ৩ শিখ্রে

মাইয়ামি/ফোর্ট মাইঅজ (ফ্লোরিদা), সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী) :
হৌজিক ফাওবগী ওইনা এটলান্টিক্কী খ্বাইদগী মতিক-ময়ায় লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনবা হরিকেন ইর্মানা নোংমাইজিংগী অয়ুক্তা ফ্লোরিদাদা পূংদা মাইল ১৩০ (কিলোমিটর ২১০) গী খোঙজেলগা লোয়ননা হুমজিল্লকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুগী মীওই মিলিয়ন কয়া সেল্টরশিংদা চগুংননা লৈদুনা খাঙনখ্রে।

নেস্নেল হরিকেন সেন্টরনা শাথীরবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদু য়াম্না থুনা থুংলরগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা ফ্লোরিদাগী কোষ্টকী মফম খরদা মাঙজৌননা নুংশিৎকী শাফুনা ফুট ১৫ (মিটর ৪/৬) ফাওবা তোর্বান্দা ঈশিং হাজিনহনখি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী অৱাং থংবা নাকচেপ অদু ফ্লোরিদা কিজ হায়না খঙনবা ষ্টেট অসিগী খা থংবা পেনিন্সুলাগী মনাক্তা লৈবা ঈথৎ মচাশিং য়ৌখি অমসুং অকনবা নোং অমসুং নুংশিৎশিংনা মপূং লমগী য়ূম অমসুং বিজনেস ৬০০,০০০ গী মৈগী সপ্লাই থদৎখি।

করিবীয়নদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রবা চাউরবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুগী চৈথেংগীদমক্তা শেম-শাদুনা লৈরিবা ফ্লোরিদাগী ফিভম মরক্তুদা ষ্টেট অসিগী গভর্নর রিক স্কোটনা এ বি সীগী ইন্টরভ্যু অমদা ‘ঐখোয়গীদমক্তা লাইদা খুরুম্বীয়ু’ হায়খি।

য়ু এসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাউবা মওংদা মীশিংবু ময়ূম-ময়ূমদগী শাফগদবা মফমশিংদা হোংহনবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা থোকহল্লিবা হরিকেন ইর্মানা য়ু এসকী অহুমশুবা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা ষ্টেট অদুদা দোল্লর বিলিয়ন কয়ামুক্কী অমাঙ-অতা থোকহল্লগনি হায়না থাজনরি। ফ্লোরিদা অসি য়ু এসকী গ্রোস ডোমেষ্টিক প্রদক্টকী চাদা ৫ স্যের তৌবা ঙম্বগী শেল-থুমগী ফিভম অমসুং মচাক-মথুমশিং লৈবা অমসুং মরুওইবা টুরিজম হব অমসু ওইবা ষ্টেটনি।

ইষ্টর্ন দেলাইট টাইমদা অয়ুক্কী পূং ৯ (জি এম টি ১৩০০) তাবদা লোৱর ফ্লোরিদা কিজদা কেটিগরি ৪ গী হরিকেন অমা ওইনা শিৎচিল্লকখিবা ইর্মানা টম্পা অমসুং সেন্ট পিটর্সবর্গ য়াওনা মীশিং য়াম্না লৈবা সেন্টরশিংগা নক্লবা ফ্লোরিদাগী গল্ফ ওফ মেক্সিকোগী কোষ্টতা হিট তৌরগনি হায়না এন ঐচ সীনা ফোঙদোকখি। ফোরকাষ্টশিংনা ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা টোর্নেদোগী ফিভম কয়াসু শেন্নকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা হায়খ্রে।

ফ্লোরিদা মায়কৈ পাংলকপদা করিবীয়ন ঈথৎশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শিহনখিবা ইর্মানা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিহনখ্রে হায়রি।

# বাংলাদেশতা রোহিংয়া রিফ্যুজী ৩০০,০০০ য়ৌখ্রে

কোক্স বাজার, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী) :
হাৎ-তুপ্পগী ঈরাং হৌখিবা চয়োল অনীদমক ঙাইরিঙৈদা ম্যান্মারদগী চেনখিবা মুস্লিম রোহিংয়া মশিং ৩০০,০০০ য়ৌশিনখিবগা লোয়ননা বাংলাদেশকী খা থংবা শরুক্তা থোক্লিবা মীওইবগী খুদোংচাদবা অমসুং অৱা-অনাগী ক্রাইসিস থেংননবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা তেংবাংগীদমক অপীল তৌখ্রে।

মবুক লাম্লবা অমসুং কাওবা য়াররোইদবা অৱাবা কয়া নংলক্লবা রিফ্যুজীশিং লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লি অমসুং এইদ এজেন্সীশিংনা হান্নদগী লাংবা সেল্টরশিং মীনা পাথোক্লে হায়না য়ু এননা ফোঙদোকখ্রে। ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা মমাঙদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাং-শিংদগী নাম্থোক্লবা চেল্লকখিবা মুস্লিম রোহিংয়া লীশিং কয়া মতেং পাংনবা এইদ এজেন্সীশিংনা কোক্স বাজার রিজনদা কেম্প কয়া হাংখিবনি।

# মেক্সিকোগী য়ুহা হাবদা শিখিবা মীগী মশিং ৯০ য়ৌখ্রে

মেক্সিকো সিটি, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী) :
মেক্সিকোগী খা থংবা ষ্টেট ওকজাকা খক্তদা মীওই ৭১ শিখ্রে হায়না ইমরজেন্সি সর্ভিসেসনা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী শাথীরবা য়ুহা হাবদা শিখিবা মী মশিং নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা য়ামদ্রবদা ৯০ শুখ্রে হায়না ষ্টেট সিভিল প্রোটেক্সন ওথোরিটিগী স্পোক্সমেন জেজস গোঞ্জালিজনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ূপ্লোন্নবা ষ্টেট চিয়াপাসতা মীওই ১৫ রোম শিখ্রে হায়না লোকল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি অমসুং অৱাং থংবা ষ্টেট টাবাস্কোদসু অতোপ্পা মীওই মরি শিখ্রে হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। জুচিতান টাউনদনা মীওই ৩৭ শিখি হায়রি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা চিয়াপাসকী কোষ্টকী মনাক্তা থোকখিবা মেগনিট্যুদ ৮.১ য়ৌনা কনখিবা য়ুহা হাবা অমনা মেক্সিকোবু নিকহনখিবদা বিল্ডিং কয়া কন্না হাইহনখি।

ট্রেমর অদু মেক্সিকো সিটিদা কুমজা ১৯৮৫ দা থোকখিবা মীওই লীশিং কয়া শিহনখিবা মাঙ-তাকপগী মশক ওইরবা য়ুহা হাবা অদুদগী হেন্না কনখি।

মেক্সিকোগী তোঙান তোঙানবা টাউনশিংদা তেংবাং পীবগী থবক কয়া পায়খৎপা হৌখ্রে। গভর্নমেন্টকী কার্গো প্লেনশিংনা তঙাইফদবা পোৎলম চৈরমশিং হোনখি অমসুং মিলিটরিনা চীঞ্জাক্কী বোক্সশিং য়েনবা হৌখি। চৈরকসিদা, জুচিন্টানদা লৈবা মীওই কয়ানা তেংবাং পীবগী থবক্কী খোঙজেল তপ্পী অমসুং মখোয় তেংবাং অমৎতা ফংদ্রি হায়না কমপ্লেন তৌখ্রে। য়েন্থোক্লিবা এইদ পেকেজশিংদু ইমুং কয়াদা য়ৌরক্ত্রি হায়না জুচিন্টানগী লোকল মীওইশিংদুনা কমপ্লেন তৌখিবনি। ফিভমদুদা আর্মিগী কেপ্টেন অমনা মীয়ামদা খরা খাঙবীয়ু হায়জখি।

মরিয়া দি লোর্দস ক্লিন্টানা লোপেজ কৌবা আই ৱিটনেস অমনা হায়খি মদুদি, মহাক্কী ইমুংগী কেন্দি বিজনেসকী ৱ্যেরহাউস মাঙ তাক্লিবা ফিভমদুদা মহাক্না গভর্নমেন্টকী তেংবাং ঙাইদুনা লৈবা ঙমদ্রে। ‘অৱাবনা লাকহৎপা ঙমদনবা ঐখোয় থবক শুগদবনি, ঐখোয় গভর্নমেন্টকী থবক ঙাইদুনা লৈবা য়াদ্রে’ হায়না এ পিনা ক্লিন্টানাগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি। রেস্ক্যু ওপরেসনশিং কুপ্না য়েংশিল্লিবা প্রসিদেন্ট এনরিক পেনা নৈটোনা মীয়ামদা অকাই-অতোই নংলবা য়ূমশিং গভর্নমেন্টনা নৌনা শাগনি হায়না থাজবা পীখি।




# চাইনানা পেট্রোল অমসুং দীজল কারশিং শাবা অমসুং য়োনবা থিংলগনি হায়খ্রে

*বৈজিং, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী) :*
*ফ্রান্স অমসুং বৃটেননা পেট্রোল অমসুং দীজলগী কারশিং য়োনবা লোইশিন্নবগী থৌরাংশিং লাউথোকখ্রবা তুংদা চাইনানসু অসিগুম্বা থৌরাং লাউথোকখ্রে।*

*চাইনাগী ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্ট্রিনা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা নৎত্রগা মতম শাংনা শীজিন্নরক্লবা ফ্যুঅল কারশিং পুথোকপা (শাবা) অমসুং য়োনবা লেপ্পবগী টাইমটেবল অমা শেম্নবা হোৎনরি হায়না ষ্টেট মীদিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎতা কেবিনেট ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।*

*চাইনিজ ষ্টেট মীদিয়াগী রিপোর্টশিং অদুদা টার্গেট তারিখতি পনখিদে তৌইগুম্বসুং বৈজিংনা ওটোমেকরশিংদা ইলেক্ট্রিক্স ডিভলপমেন্টকী থবক থুজিন্নবা প্রেসর পীবা হেনগৎখ্রে হায়না পনখি।*

*চাইনা অসি অয়োনবা ভেহিকলশিংগী মশিংদা পাবদা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ওটো মার্কেটনি। মসিনা মরম ওইদুনা হীরম অসিদা পোলিসিদা অহোংবা লাকহনবা হায়বসি গ্লোবেল ইন্দষ্ট্রিগী ওইনা য়াম্না মরুওইগনি হায়রি।*

*সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সী অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টিগী পাউচে পীপলস ডেলিগী মতুং ইন্না, ডেপ্যুটি ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর সিন গুওবিননা থাংজ নুমিৎতা ওটো ইন্দষ্ট্রি ফোরম অমদা হায়খ্রে মদুদি, মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা মহৌশাগী ইনর্জি ভেহিকলশিং শাবা অমসুং য়োনবা লেপ্পনবগী টাইমটেবল অমা পুথোক্লবা রিসর্ছ হৌখ্রে।*

*ফ্রান্স অমসুং বৃটেননা হৌখিবা জুলাইদা লাউথোকখিবশিংদা গ্লোবেল ৱার্মিংদা মতেং পাংশিল্লিবা কার্বোন ইমিসনশিং অমসুং পোল্যুসন হন্থহন্নবা হোৎনরিবশিংগী শরুক ওইনা মখোয়না কুমজা ২০৪০ ফাওবগী মনুংদা পেট্রোল অমসুং দীজল ওটোমোবিলশিং য়োনবা লেপ্পগনি হায়খি।*

# ‘টর্কিদগী হৌখিবা সিটিজনশিং জর্মনিদা তাথী-তাওইনা তৌবীরে’



অঙ্কারা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী) :
জর্মনিদা লৈবা টর্কিস সিটিজনশিংনা চেকশিন্না লৈনবা টর্কিনা থাংজ নুমিৎতা অপীল তৌখ্রে অমসুং থা অসিদা লৈবাক অদুদা মীখল পাঙথোক্তদৌরিবদুগী মাঙওইননা পোলিটিকেল মীতিনশিংদগী লাপ্পা লৈনবা হায়খ্রে। নাটোগী মীচংশিং ওইনবা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা টর্কিনা ৱাফম অসি লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংদা খঙহনখিবনি।

হৌখিবা চহীদা প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়ীপ ইর্দোগনবু মফমদগী চিংথুনবা হোৎনখিবা মতুংদা মীওই ৫০,০০০ হেন্না ফাজিনবা উখিবা টর্কিস ওথোরিটিশিংগী ক্রেকদাউনবু জর্মনিনা চৈ থাংখিবদগী লৈবাক অনীগী মরীশিং ফিভম খংশোক-শোক্লকখিবনি। দাই ৱেল্ট পাউচেগী করেস্পোন্দেন্ট দেনিজ য়ুসল য়াওনা জর্মন সিটিজন কয়া টর্কিনা ফাজিন্দুনা থমখিবদগীসু লৈবাক অনীগী মরীশিং মখা তানা ফিভম শোকচিনখি।

মপানগী মীওইশিংবু তাথী-তাওইনা তৌরকপা য়াবা নৎত্রগা কাঙলূপ নাইবগী থৌওংশিং চথুরকপা য়াবা জর্মনিদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম য়েংদুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা নৎত্রগা লৈবাক অদুদা চৎনবা থৌরাং তৌরিবা টর্কিস সিটিজনশিংদা য়ারিবমখৈ চেকশিন্নবা টর্কিস ফোরন মিনিষ্ট্রিনা তকশিনখি।

সেপ্টেম্বর ২৪ দা পাঙথোক্তদৌরিবা জর্মনিগী জেনরেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা পোলিটিকেল ডিবেটশিং, পোলিটিকেল পার্টিগী মীতিনশিংদগী লাপ্না লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা মখোয়দা চেকশিন্না হায়খি।

টর্কশিংগী পোলিটিকেল মীৎয়েংশিংদা য়ূস্ফম ওইরগা মখোয়গী মায়োক্তা কাঙলূপ নাইবগী থৌওং য়াওবা তোঙানবা মীৎয়েংনা য়েংই হায়না অঙ্কারানা ক্লেম তৌখ্রে অমসুং টর্কিগী সিটিজন খরদি জর্মনিনা অকনবা ৱাহে-ৱাতাশিং শীজিন্নদুনা চৈ-থাংই হায়খ্রে।

ইর্দোগননা হৌখিবা থাদা জর্মনিদা লৈরিবা টর্কশিংদা চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলগী খৃষ্টিয়ন ডেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন (সী ডি য়ু), সোসল ডেমোক্রেটিক পার্টি (এস পি ডি) নৎত্রগা গ্রীনশিংদা ভোট পীদনবা তকশিনখি। ইর্দোগননা পার্টিশিং অসিবু টর্কিগী য়েক্লবশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবদা জর্মন পোলিটিসিয়নশিং খোইরাং খোইশাওখি।

অঙ্কারানা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা য়াওবগী ৱাফমগা মরী লৈননা ৱারী শানবা মহাক্না লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়না মর্কেলনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা অমসুং জর্মন ‘পোপ্যুলেসন’ গী ক্লেমশিংনা টর্কিগী অশাওবা হেনগৎহনখি।

# এঞ্জেলা মর্কেলনা নোর্থ কোরিয়াগী ক্রাইসিস লোইশিন্নবা ইরান মওংগী ৱারী শানবগী ৱাফম হৌদোকখ্রে

বর্লিন, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রাম লোইশিনহন্নবগী ডিপ্লোমেটিক থৌরাং অমদা য়াওননবা মহাক্না শেম-শারে হায়না জর্মন চান্সলর এঞ্জেলা মোর্কেলনা পাউচে অমদা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ইরানগী ন্যুক্লিয়র টোল্কসনা মোদেল অমা ওইবা য়াগনি হায়খ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা মসিগী তরুশুবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোক্তুনা মালেমগী শেলগী কৈথেলশিং নিকহনখিবা অমসুং লমদম অদুদা টেন্সন হেনগৎহনখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা থাংজ নুমিৎতসু সাউথ কোরিয়ানা নোর্থ হৌদোকখিবগী কুমওন নুমিৎ লাকপগা মরী লৈননা পিয়োংয়াংনা মখা তাবা মিসাইল চাংয়েং পাঙথোরকপা য়াই হায়না চিংনদুনা লৈখি।

ৱারী শানবদা ঐখোয়বু য়াওহন্নিংবগী ৱাফম ওইরবদি ঐহাক্না খুদক্তা য়াগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙগদবা ফ্রাঙ্কফর্টর অলজেমাইন সোন্টাগটানতুংগী ইন্টরভ্যু অমদা মর্কেলনা হায়খি।

মহাক্না কুমজা ২০১৫ দা ইরান অমসুং মালেমগী পাৱরশিংগী মরক্তা পুরকখিবা মরুওইবা ন্যুক্লিয়র এগ্রীমেন্ট অদুগী নিগোসিয়েসনশিংদা খুৎ থীনখি।

মতমদুদা ৱারী শানবদা জর্মনি অমসুং ভিটো পাৱর পায়বা য়ুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী লৈবাক মঙানা ৱারী শানবদা শরুক য়াখি অমসুং ইরানগী মথক্তা থম্লিবা অথীংবা অয়াম্বা লৌথোক্লবগীদমক লৈবাক অসিনা মসিগী ন্যুক্লিয়র থবকশিং কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম য়াখি।

দীল অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌখিবগী মতাংদা পল্লদুনা মর্কেলনা হায়খি মদুদি, মদু শাংলবসু ডিপ্লোমেসিগী মরুওইবা মতম অমা ওইখি অমসুং হৌখিবা চহীদা অফবা ৱারোইশিন অমা লাকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী কনফ্লিক্ট লোইশিন্নবগী অসিগুম্বা ফোর্মেট অমা খন্নবা য়াগনি হায়না ঐহাক্না থাজে। মদু য়ুরোপনা মরুওইনা জর্মনিনা য়াম্না থৱায় য়াওনা শরুক য়ানবা শেম-শাগনি হায়না মর্কেলনা মখা তাখি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম দীল তৌনবগী অমৎতা ঙাইরবা পান্থৈদি ডিপ্লোমেটিক সোল্যুসন অমা পুথোক্লবা হোৎনবনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মর্কেলনা হায়খি মদুদি, লমদম অদুদা অনৌবা খুৎলাই লমজেল অমা হৌবা হায়বসি কনামত্তগী অপাম্বা নৎতে।

য়ুরোপনা অমৎতা ওইনা লেপ্তুনা ডিপ্লোমেটিক সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনগদবনি অমসুং সেঙ্কসনশিংগা মরী লৈননা তৌফম থোকপা খূদিংমক তৌগদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

সেপ্টেম্বর ২৪ গী মীখলদা মর্কেলনা মায় পাক্তুনা মরিশুবা টার্ম অমগসু ওফিস পায়রগনি হায়না থাজনরি। ওপিনিয়ন পোলশিংদা মহাক্কী কঞ্জর্ভেটিভশিংনা মখোয়গী রাইভল সোসল ডেমোক্রেটশিংদগী ডিজিট অনীদা মাঙজিল থাখি।



# রোমেনিয়ানা ব্লেক সীদা মাইগ্রেন্ট ২০০ তোংবা হীশিং ফাখ্রে

ব্যুকারেষ্ট, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী) :
মাইগ্রেন্ট ২০০ হেন্না তোংবা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হী অনী ব্লেক সীদা রোমেনিয়াগী কোষ্ট গার্দনা থৎলগা খামহনখ্রে হায়না বোর্দর পুলিসনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পূন্না মীওই ৯৭ - নুপা ৪০, নুপী ২১ অমসুং নুপী ৩৬ তোংবা হীশিংদুগী মনুংদগী অমা কোষ্ট গার্দনা ফাখি। মীওইশিংদু ইরানিয়ন অমসুং ইরাকি নেস্নেলশিংনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। ভেসেল অদু বলগেরিয়ন কোষ্টলাইনদগী নোর্টিকেল মাইল অমরোম লাপ্পা মফমদা খামখি হায়না পুলিসনা মখা তাখি।

সাউথইষ্টর্ন মাঙ্গলিয়া হীথাংফমদা পুখিবা হী অদু হৌখিবা ওগষ্টকী ময়াই থংবা মতমদগী ব্লেক সীদা মাইগ্রেন্টশিং পুরম্বা থেংনখিবা মরিশুবনি।

হী অদু কদাইদগী লাকখিবনো হায়বদু লেপথোক্লবা ওথোরিটিশিংনা ইনভেষ্টিগেসন অমা হৌখ্রে হায়না ব্লেক সীগী সিটি কোনষ্টানাদা কোষ্ট গার্দকী স্পোক্সপর্সন আইওনেলা পাসাটনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

রোমেনিয়াগী ঈশিংগী শরুক্তা চঙশিল্লকখিবা মীওই ১২০ তোংবা অনীশুবা ঙা ফাবগী হী অমসু ইরাইগী অহিংদা ফাখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

টর্কিস কোষ্ট গার্দ লাক্তুনা য়েংশিনদ্রিফাওবা হী অদু রোমেনিয়ন কোষ্ট গার্দনা ফাজিন্দুনা থমখি। ঈ য়ুগী মেম্বর ওইরিবা রোমেনিয়া অসি ব্লোক অসিগী পাসপোর্ট পায়দনা চৎপা য়াবা ছেনজেন জোনগী শরুক অমদি ওইদবনা রিফ্যুজী অমসুং মাইগ্রেন্ট ময়াম চঙশিনহন্দনা লৈরি।

তৌইগুম্বসুং মাইগ্রেন্টশিংনা মেদিটরিনিয়ন লাল্লগা চৎপদা খুদোংথীবা থোকপগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না ব্লেক সী অসি য়ুরোপতা অনৌবা পুন্সি মরেল অমা ফংনবা চৎলিবা মাইগ্রেন্টশিংগী অতোপ্পা লম্বী অমা ওইরকপা য়াই হায়না ব্যুকারেষ্টনা কিরি।





KANGLEIPAK COMPUTECH (L & B GROUP)
Singjamei Thokchom Leikai, Imphal West, Near SBI Bank, Manipur-795001
Deals in : COMPUTERS, COMPUTER ACCESSORIES, LAPTOPS, CCTV, PC GAMES, PRINTERS
Cheap & Best
Sales & Service
+
CCTV Installation &
Biometric Device Installation
Contact No. +91 7085163678, 0385-2441628
e-mail : kangleipakcomputech@gmail.com
Cheap & Best
LENOVO ASUS ACER HP TOSHIBA SONY SAMSUNG DELL
HL-P/2533/14to13 Sept.